অনৌবা কেস ১০০ হেন্না থেংনবদগী মিজোরামগী কেস ১,৬৯২ শুরে



আইজোল, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি): হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মিজোরামদা থা অনী শুবদা ঙাইরিবা অঙাং মচা অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১০৭ নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা পোজিটিভ কেস ১,৬৯২ শুরে হায়না ওফিসল সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জোরাম মেদিকেল কোলেজ (জেদ এম সী)দা আর টি-পি সী আর মেছিনশিংগী মতেংগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা সেম্পল ৭৫৯ টেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ট্রুনেট মেছিনশিং শীজিন্নরবা সেম্পল ৮৭ অমসুং রিপিদ এন্টিজেন টেষ্টকী খুখাংদা সেম্পল ১,০৫৯ টেষ্ট তৌখি। জেদ এম সীদা টেষ্ট তৌখিবা সেম্পল ৭৫৯ গী মনুংদা সেম্পল ১০৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখি। মীওই অমা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরমখি। কেস ১০৭ মক কেপিটেল আইজোলদগীনি। মখোয়গী মনুংদা কেস ৩৮ দি কেপিটেলগী মফম অমখক্তা থেংনখিবনি হায়না গভর্নমেন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না জেদ এম সীদা টেষ্ট তৌখিবা সেম্পল ৭৫৯ মক সেপ্তেম্বর ১৪ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা চথখিবা কন্টেক ট্রেসিং মনুংদা খোমখিবনি। নুপা ৭৩ অমসুং নুপী ৩৪ য়াওবা অনৌবা পেসেন্টশিংদুগী মনুংদা থা ২ দগী চহী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা চহী নৌরিবা অঙাং মঙা য়াওরি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না মিজোরামদা এক্তিভ পেসেন্ট ৬৮০ লৈ অমসুং হৌজিক ফাওবদা মীওই ১,০১২ কোভিদ -১৯দগী ফখ্রে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না শিবা লৈত্রি। ষ্টেট অসিগী অহানবা কোভিদ-১৯গী কেস অদু হৌখিবা মার্চ ২৪দা মশাগী ৫২ শুরবা পাষ্টর অমদা ইনফেক্সন লৈরম্বা থেংনখি।

অসামগী নুপীমচা অমা মেঘালয়া পুলিসনা কিদনেপরশিংদগী কনখ্রে

শিল্লোং, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি): মীওই খুৎপু অমনা অসামদগী কিদনেপ তৌরগা মেঘালয়াগী ৱেষ্ট গারো হীলস দিষ্ট্রিক্টকী রাজবাল রিজনদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা মশাগী চহী ১৬ শুরবী নুপীমচা অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মেঘালয়া পুলিসনা রেস্ক্যু তৌখ্রে।

ৱেষ্ট গারো হীলসকী পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা প্লেন বেল্ট রিজন অদুগী সামাল এরিয়াদা রেস্ক্যু ওপরেসন চথখি অমসুং মখোয়না চহী নৌরিবা নুপীমচা অদুবু ফাজিন্দুনা থল্লিবা মফম অদু থেংনদুনা মহাকপু কিদনেপর খুৎপু অদুদগী কনখি।

ৱেষ্ট গারো হীলসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এম জি আর কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, অসামগী উজোলবত্রাদগী মশাগী চহী ১৬ শুরবী নুপীমচা অমা কিদনেপ তৌখ্রে হায়না অসামগী সুকচোর পুলিস ষ্টেসনননা রাজবলা পুলিসতা পাউ পীরকখি। পাউ অদুদা য়ুন্স্ফম ওইরবা নুপীমচা অদুবু থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসন হৌখি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না নুপীমচা অদু মীওই ৬ কী গেং অমনা কিদনেপ তৌখিবনি। গেং অদুদা গারো হীলসতগী মুজিদুর রহমন অমসুং সের অলি কৌবা মীওই অনী য়াওরি। মখোয় অনীমক গারো হীলসকী নোলবারি-ফুলবারিদা লৈবা ঙাক্তনি। কন্না থিবা-হুন্দ্বগী থবক চথরকখিবগা লোয়ননা মমৈথংদা পুলিসনা ৱেষ্ট গারো হীলসকী রাজবালা অমসুং হলিত্রগঞ্জ টাউনশিংগী মরক্তা লৈবা সকমল গেং অদুগী লোৎফম থেংনখি।

পুলিস টিম লাক্লে হায়বসি খঙবদগী ক্রিমিনেলশিং অদু মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং পুলিসনা মখোয়বু তান্নখি অমসুং গেং মেম্বর অমগা লোয়ননা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা মীওই অনী ফাখি। পুলিসনা মখা তানা গেং অদুগী মেম্বরশিং থীবগী থবক চথুরি হায়রি।

পুলিসনা কিদনেপরশিংগী মখুত্তগী কল্লবা নুপীমচা অদু ইমুংগী মীওইশিংদা শীন্নখ্রে অমসুং ফারবা ক্রিমিনেলশিং অদুনা মখা তাবা লিগেল প্রোসেসকীদমক্তা অসাম পুলিসতা শীন্নখ্রে হায়রি।

‘মেঘালয়াদা মখা তানা লোকদাউন থল্লরোই’

শিল্লোং, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি): মেঘালয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী ফিভম লৈনা লৈনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ কে সংমা অমুক হন্না ষ্টেট অদুদা ইনফেক্সন লাকশিন্নবা লোকদাউন থমদনবা ৱারেপ লৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লোকদাউন হায়বসি লায়না-লাইচৎ অসি লেপহন্নবগী অশেংবা সোল্যুসন নত্তে। তৌইগুম্বসুং মসিদি শুপ্পগী লায়না অসি শন্দোরকপা তপথহন্নবগী মেকানিজম অমখক্নি। মরম ওইদুনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবনি হায়দুনা মীয়ামদা মখা তানা লোকদাউন মায়োক্নহন্দনবা ৱারেপ লৌরে।

লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না শেল-থুমগী থবক থৌরম খুদিংমক লেপহনবা হায়বসি ওইথোক্তবা অমনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট কেপিটেল শিল্লোংদা রিভিয়ু মীটিং অমদা শরুক য়ারবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখি।

সংমানা মখা তানা হায়খি মদুদি কোভিদ-১৯ অসি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরগনি হায়বসি মীপুম তিংনা খঙনবগী তঙাইফদবা লৈ। লায়না অসি ঐখোয়দা চঙহন্দনবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈদি য়ারিবমখৈ চেকশিন্না লৈবা অমসুং গভর্নমেন্টনা লাইচৎ অসি কন্ত্রোল তৌনবগী পীরিবা কাঙলোনশিং চেকশিন্না ঙাকপা অসিনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা মেঘালয়াদা কোভিদ-১৯ কেস পুন্না ৪,৭৩৪ য়ৌখি। অপুনবা কেস অসিগী মনুংদা ২,১৬৯ না এক্তিভ কেসশিং ওইরি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী মীওই ২,৫২৭ লায়েংবদা ফদুনা তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিং নৎত্রগা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবা ষ্টেট অসিদা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৩৮ পুন্সি লোমখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা সংমানা ষ্টেট অদুগী ইন্দষ্ট্রিএল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট (আই টি আই) ১২ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন থম্বদগী থিংলকখিবদু নৌনা অমুক হাংনবা ৱারেপ লৌরে হায়নসু লাউথোকখি।

অসামগী খুঙ্গং ৭ মেঘালয়াদা পুনবা পাল্লি

গুৱাহাতি, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি): অসামগী কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী পলাসবরি এরিয়াগী মনুং চনবা শেল-থুম অমদি অতৈ হীরম কয়াদা শোত্থনা লৈরিবা মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গং ৭ কী মীয়াম্না য়ুমথংনরিবা মেঘালয়াদা তিন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে। মখোয়না লমদম অদুদা চাওখৎ-থৌরাংগী থবক থৌরমশিং উবা ফংদ্রিবদু ষ্টেট অদুগী বি জে পি গভর্নমেন্টনা থোকহনবনি হায়না মরাল শীখি।

মেঘালয়াগী ৱেষ্ট খাসি হীলস দিষ্ট্রিক্টকা পুনশিন্নবা পাল্লিবা অসামগী খুঙ্গংশিং অদুদি গুরুবোনধা, বেসিমারি, দেৱনবীল, বোর্গোরাং, বানগেলিলা, কেত্রাবারি অমসুং শান্তিবীল অসিনি। কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গংশিং অসিগী মীওইশিংনা মখোয়গী লমদম অদু য়ুমথংনরিবা মেঘালয়াগী ৱেষ্ট খাসি হীলস দিষ্ট্রিক্টতা তিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না ফোঙদোক্লখি।

খুঙ্গংশিং অদুগী মীওই কয়ানা মিদিয়াদা ফোঙদোরকখিবদা, নীংতম্বা ফংখিঙৈদগী মখোয়গী লমদম অদুদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম অমত্তা উদ্রি হায়বা য়াই। থাংজ নুমিত্তা লমদম অদুগী খুঞ্জাশিংনা গভর্নমেন্টকী মখোয়বু থৌশাবিদবগী থৌওংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি। অসুক কুইরবা মতম অসিদা লম্বী-থোং, থক্ন বা অফবা ঈশিং, ইলেক্ট্রিসিটি, অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা অমদি মহৈ-মশিন তম্বগী খুদোংচানবনচিংবা তঙাইফদবা খুদোংচাবশিং অসি মখোয়দা ফংহন্দনা লাক্লি হায়না প্রোটেষ্টতা শরুক য়ারিবা খুঙ্গংশিং অদুগী খুঞ্জা কয়ানা থম্মোয় শোক্লা ফোঙদোক্লখি।

মখোয়না অসামগী অতৈ মফমশিংগা চাংদম্নবদা মখোয়গী খুঙ্গংশিংনা শেল-থুম অমদি অতৈ হীরম কয়াদা শোত্থনা লৈরিবদুগা মরী লৈননা পলাবারি এম এল এ প্রনাব কালিতাবুসু নুংনাংবা ফোঙদোকখি। হৌজিক লৈরিবা লমদম অদুগী খুদোংচাদ্রবা ফিভমশিং অদু কোকহন্নবা এম এল এ অসিনা অমুক্তা থম্মোয় শেংনা হোৎনবা লৈতে হায়না মখোয়না মহাকপু মরাল শীখি।

অসামগী ট্রক দ্রাইভর অমা দিমাপুরদা হাৎখ্রে

দিমাপুর, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি) : অসামগী ট্রক দ্রাইভর অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দিমাপুরগী আই এম সী হোল মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না ট্রক দ্রাইভর অদু অসামগী দিমাজি দিষ্ট্রিক্টতগী জিতেন গোগোই কৌবা মশাগী চহী ৩১ শুরবা মীশক অমনি হায়বসি খঙবা ঙল্লে।

দ্রাইভর অদুগী অশিবা হকচাং অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা পুলিসনা লৌখৎখি। দিমাপুর পুলিসকী পি আর ও টি রিও অয়েংগী মতুং ইন্না মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোকপা ঙমদ্রি। ট্রক দ্রাইভর অদু পোইন্ট ২২গী পিষ্টল অমনা অনকপা রেঞ্জতগী কাপ্লগা হাৎখিবনি হায়নসু পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখি। ট্রক অদু তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা গাড়িনি হায়রি।

অনৌবা কেস ৬০ থেংনদুনা নাগালেন্দগী অপুনবা কোভিদ কেস মশিং ৫,৬০৪ য়ৌরে



দিমাপুর, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি): লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৬০ রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা ইনফেক্সন মশিং ৫,৬০৪ শুখ্রে।

পাউ অসি কনফার্ম তৌরদুনা নাগালেন্দগী হেল্থ মিনিষ্টর এস পাঙ্ন্যু ফোমনা খ্বাইদগী নৌবা মহাক্কী ত্বিটতা হায়খি মদুদি অনৌবা কেসশিং অদু পুন্না টেষ্ট ৩৬৮ পাঙথোকপগী মনুংদা দিটেক্ট তৌখিবনি। অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা কেস ৩৮ দিমাপুরদগী রিপোর্ট তৌরকখি, কোহিমাদগী পোজিটিভ কেস ২২ রিপোর্ট তৌরকখি। মোনদগী কেস ২ অমসুং ত্যুয়েন্সাং দিষ্ট্রিক্টতকী অনৌবা কেস অমা রিপোর্ট তৌরকখি। আই দি এস পিগী টিম্না তঙাইফদবা কন্ট্রেক্ট ট্রেসিংগী থবক মপুং ফানা পাঙথোক্লি হায়নসু মিনিষ্টর ফোমনা ফোঙদোকখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোঙবা দেতাগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না নোভেল কোরোনাভাইরসকী পোজিটিভ কেস ৫,৬০৪ রেজিষ্টর তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ দগী পুন্না পেসেন্ট ৪,৪৫১ নাবা ফদুনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিং অমদি কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি। নাগালেন্দদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী এক্তিভ পেসেন্ট ১,১১২ লৈ। কেস ২২ গী ষ্টেট অসিগী ৱাংমদগী লাকপশিংনি। লায়না অসিনা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী মীওই ১০ গী পুন্সি লোমহনখ্রে হায়না দিপার্টমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মথোল কয়াগী পার্কিং ফেসিলিটি শাবা লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে

বিজেপি চৰকাৰৰ কাম নাই
AJYCP JORHAT
AJYCP ZINDABAD
বিজেপি চৰকাৰ হায় হায়
"জয় আই অসম"
অসম জাতীয়তাবাদী যুব-ছাত্ৰ পৰিষদ
যোৰহাট মহানগৰ সমিতি
যোৰহাট

জোর্হাট, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি): দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না জোর্হাট টাউনদা নুমিৎ খুদিংগী থেংনরিবা লম্বী চৎথোক-চৎশিনগী প্রোব্লেমশিং সোলভ তৌবা ঙমদবগী মায়োক্তা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অসোম জাত্যোতাবাদি যুভ চত্রা পরিষদ (এ জে ৱাই সী পি)গী জোর্হাট সিটি য়ুনিটনা দেমোনষ্ট্রেসন অমা পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলশিংগী ওইবা বোদি অদুগী মেম্বরশিংনা বেনরশিং পুদুনা চৎখি অমসুং স্লোগান কয়া লাউখি। মখোয়না হৌজিক ফাওবদা শরুক খরা শাবা লোইরবা গাড়ি ১৫০ থম্বা চনগদবা মথোল কয়া লোংবা পার্কিং অথুবা মতমদা শাবা লোইশিন্নবা দিমান্দ তৌখি।

গাড়ি পার্কিং অদু শাবদা শেঞ্জা-থুমজা চাওনা চথুরে হায়না মরাল শীরদুনা এ জে ৱাই সী পিনা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দা সোনোৱালদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমদা হায়খি মদুদি মথোল কয়াগী ওইবা গাড়ি পার্কিং অদু শাবগী থবক কুমজা ২০১৩গী ওক্তোবরদা জোর্হাট ম্যুনিসিপাল বোর্দনা নিল-খোংখিবা অচৌবা থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা হৌখি। মতমদুদগী চহী ৭ হৌখ্রবা মতম অসিদা শুপ্পগী থবক চাদা ৩০ দমক লোইশিনবগী মওং উরি।

অমরোমদা, থবক্কী অপুনবা শেনফমগী চাদা ৬০ হায়বদি লুপা ক্রোর ১০.৫১ কন্ট্রেক্তরদা পীথোকখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা মেমোরেন্দম অদুদা পনখি।

CROSSWORD-3568

1		2		3		4	■	5		6		7
	■		■		■		■		■		■	
8					■	9						
	■		■		■		■		■		■	
10							■	11				
	■	■	■		■		■	■	■		■	■
12		13				■	14	15				16
■	■		■	■	■	17	■		■	■	■	
18				19	■	20				21		
	■		■		■		■		■		■	
22							■	23				
	■		■		■		■		■		■	
24					■	25						

ACROSS
1 God of wine (7)
5 Author of The Iliad (5)
8 Highways (5)
9 Malicious retaliation (7)
10 Lifting device (7)
11 Kings of the jungle (5)
12 Liverpool's river (6)
14 Large gun (6)
18 Performed in a play (5)
20 Marine mammal (7)
22 North African country (7)
23 Plant fibre used for making rope (5)
24 Disreputable (5)
25 Female siblings (7)

DOWN
1 Ennui (7)
2 Professorship (5)
3 Antagonistic (7)
4 Industrial action (6)
5 Slum dwelling (5)
6 Seasonal wind of the Indian Ocean (7)
7 Scottish dances (5)
13 Went to bed (7)
15 Books of maps (7)
16 Flummox (7)
17 Accessories (3-3)
18 Media (anag) (5)
19 Rot (5)
21 Overly eager speed (5)

Solution 3567

1 S	T	2 R	I	3 V	E	■	4 S	5 W	I	6 T	C	7 H
O	■	E	■	A	■	■	■	O	■	W	■	I
8 L	O	C	A	L	■	9 D	O	R	M	A	N	T
A	■	I	■	E	■	A	■	K	■	N	■	H
10 C	A	P	I	T	A	L	■	11 I	N	G	L	E
E	■	E	■	■	■	A	■	N	■	■	■	R
■	■	12 S	H	13 O	W	I	N	G	U	14 P	■	■
15 P	■	■	■	U	■	L	■	■	■	O	■	16 S
17 L	I	18 S	Z	T	■	19 A	T	20 T	E	M	P	T
I	■	A	■	L	■	M	■	R	■	P	■	A
21 G	O	N	D	O	L	A	■	22 A	M	O	U	R
H	■	T	■	O	■	■	■	S	■	U	■	T
23 T	H	A	N	K	S	■	24 C	H	A	S	E	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3367

			4	8				9
	2			5		3		
	4			3	7		5	2
		4				5		
	3						9	
		1				8		
4	5		8	2			7	
		7		6			2	
8				7	3			

Solution-3366

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

2	6	8	3	1	7	5	9	4
5	7	9	2	8	4	3	6	1
3	4	1	5	9	6	7	2	8
6	2	3	9	5	1	4	8	7
8	9	4	7	2	3	6	1	5
1	5	7	6	4	8	2	3	9
9	1	6	4	7	2	8	5	3
7	3	5	8	6	9	1	4	2
4	8	2	1	3	5	9	7	6

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থ্রক্লনি। ফন্বী চাং হন্থ্রক্কনি, মপান তোয়না থোক্লনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্লনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্লচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্লচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থ্রকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্লচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6359/06/09-06/10


[illegible]
গাঙম
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
[illegible]
খুল্লাকপগী মচানুপীসে ঐগী নুপী ওইনিংখরেদা।
[illegible]
খুল্লাকপগী মচানুপীদুদি দাপা লৈ হায়বা খঙলমদে।
[illegible]
মসিগী নুপীসিগী মফিসে ঈশিংনা পুমচোৎ চোৎলগনিদো, হি হি।
[illegible]